# কারোলিনা মারিন, সিন্ধুনা ইন্দিয়া ওপনগী টাইটল লমজেলদা হিদান্নরি, নেহৱালসু শরুক য়ারি







ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৮ :
রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ কী ফাইনেলিষ্ট কারোলিনা মারিন অমসুং পি ভি সিন্ধুনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী কেপিটেলদা হৌগদৌরিবা তরেৎশুবা এদিসনগী ইন্দিয়া ওপন ২০১৭ তা শরুক য়াগদবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মশক থোকপা শান্নরোয় অনী ওইরি।

চৈরক অসিদা নুমিৎ মঙানি চূপ্না চথুগদৌরিবা সুপর সেরিজ ইভেন্ট অসিদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রাটচানোক ইন্টানোন অমদি কুমজা ২০১৫ গী চেম্পিয়ন সাইনা নেহৱালসু শরুক য়াগদবশিংগী মনুংদা টোপ কন্টেন্দরশিং ওইরি।

চিনা ওপন ২০১৬ অমদি সয়ীদ মোদি চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী টাইটল লৌখ্রবা মতুং বি দল্লিয়ু এনা হন্দক্তা থোকখিবা রেঙ্কিংদা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর মঙাশুবদা লৈখিবা ওলেম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুদা মিয়াম্না অমুক হন্না মিৎয়েং থম্নরি।

সিন্ধুনা হায়খি, হোয়, দাইত্ব অসি মতম পুম্নমক্তা ৱাংনা লৈ অমদি মীওইপুম্নমক্না মখোয়গী অফবদুতা পীনবা হোৎনৈ অদুবু ঐনা ইশামক্কী ওইনা খল্লি অমদি অতোপ্পশিংগীদমক ৱাবা তৌদে হায়না মহাক্না হায়খি।

সাইনা নেহৱালগীদমক মফম অসিদা কুমজা ২০১৫ দা টাইটল লৌখ্রবা মতুং মসিগী কম্পিটিসন অসি মরু ওইবা অমা ওইখি। সাইনানা রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান স্পোটতা লৈদুনা অহানবা ইন্দিয়ন ৱিমেন ওইখি।

সাইনানা হায়খি, দেল্লি অসি ঐঙোন্দদি খ্বাইদগী মরু ওই। ঐনা মফম অসিদা কম্মনৱেল্ গেমসকী গোল্ড মেদল লৌখি অমদি মদুদগী কুমজা ২০১৫ দা ইন্দিয়া ওপনগী টাইটল লৌখি। মতম অদুদা ঐনা ৱর্ল্ডনম্বর ৱান ওইখি। অসুম্না মফম অসিদা ঐগী নিংশিংনিঙাই ওইবা চাউরবা থৌদোক অনী লৈখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী দ্রোগী খ্বাইদগী ফবা শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন ক্বিন অনীনা থেঙ্গাইনগদৌরি। করিগুম্বা য়াৎখিবা থৌরাংগী মতুং ইন্না চথুবা থোক্লবদি মখোয় অনীনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

কুমজা ২০১২ গী ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অসিনা হায়, কম্পিটিসন অসি চহী খুদিংগী চাউখৎলক্লি। তশেংনা মসি রাউন্দ ৱানদগী টফ ওইবা হৌরে। হন্দক্কী অসিদা ঐগী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স অদু পীগনি হায়না ঐনা আশা তৌরি। শোক্লুবদগী হল্লকপা অসি অরায়বা অমা নত্তে অদুবু ঐনা ঐগী খ্বাইদগী ফবা অদু উথোক্তুনা শান্নগনি অমদি ঐগী ফুল ফোর্মদা হল্লক্লবা আশা তৌরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মসিগী সুপর সেরিজ অসিদা অকনবা মিৎয়েং থল্লিবা কারোলিনা মারিননা হায়খি, ঐনা মফম অসিদা মায় পাকপা (ইন্দিয়া ওপন) পামই। ঐগীদমক্তদি ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল লৌবসিনা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকপনি হায়না লৌই অদুবু ঐনা টুর্ণামেন্ট কয়া মায় পাকপা পাল্লি। ঐনা ঐগী খ্বাইদগী ফবা অদু উৎনবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান লী চোং ৱৈ অমদি অনীরক ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা লিন দাননা অথেংবদা টুর্ণামেন্ট অসিদগী ৱিঠদ্রো তৌখিবদগী হৌজিক ৱর্ল্ড নম্বর ফোরদা লৈরিবা ভিক্টর অক্সেলসেননা টুর্ণামেন্ট অসিগী মেন'স সিঙ্গলস ইভেন্টতা কম্পিট তৌরিবা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা প্লেয়র ওইরি।

অমরোমদা, অজয় জয়ারামাগা লোয়ননা হান্নগী চেম্পিয়ন কিদম্বী শ্রীকান্ত অমদি ঐচ এস প্রন্নোয়না ইন্দিয়ন কন্টিঞ্জেন্ট ওইনা মেন'স সিঙ্গলসতা শরুক য়াগনি।

# ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীদুনা অমুক হন্না বোর্দর-গভাস্কর ট্রোফি লৌখ্রে




ধর্মসালা, মার্চ ২৮ :
টিম ইন্দিয়ানা মফম অসিগী ঐচ এস সি এ ষ্টেদিয়মদা চথুখিবা মরিশুবা অমদি অরোইবা টেষ্ট মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীদুনা বোর্দর-গভাস্কর ট্রোফি লৌখ্রে।

অরোইবা নুমিৎতা মায় পাক্নবগীদমক রন ৮৭ লৌবা মথৌ তাখিবা অদুদা লোকেশ রাহুলনা বাউন্দরি মাপন য়াওনা মশিং য়াম্লবা রনশিং লৌখিদুনা ইন্দিয়াগী মায় পাক্লবগী টার্গেট অদু নক্না পুশিনবা ঙমখি। রাহুলনা বোল ৭৬ মায়োক্লখিবদা রন ৫১ (ফোর ৯) লৌরগা নোট আউটতা লৈখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী পেসর পেট কুম্মিন্সনা মুরালি ভিজয়বু ৱিকেট ওইনা লৌথোকখি। মুরালিনা বোল ৩৫ মায়োক্লখিবদা রন ৮ খক্তমক লৌরম্লগা পেট কুম্মিন্সকী বোলদা মেথিয়ু ৱাদেনা কেটচ তৌখিদুনা আউট ওইখিবদা ইন্দিয়াগী ওইনা ৱিকেট অমদা রন ৪৬ তা লৈখি।

ভিজিটরগী গ্লেন্ন মেক্সৱেলগী বোলদা চেটেশ্বর পুজারানা মশক থোক্না রন লৌনবা হোৎনরকখিবদা রন আউট ওইখিদুনা দক চাদুনা ক্রিজদগী মপান থোকখি। পুজারানা বোল ৫ খক্তমক মায়োক্লরমখি।

কেপ্টেন ওইনা থৌ পুরিবা অজিঙ্কা রাহনেনা পেট কুম্মিন্সকী বোলদা বাউন্দরিশিং কনখি। রহানেনা বোল ২৭ মায়োক্লখিবদা রন ৩৮ (ফোর ৪, সিক্স ২) লৌদুনা টিম ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবদা চাউনা মতেং পাংখি। কে এল রাহুলনা মায় পাকপগী রন অদু লৌখিদুনা সেরিজ অসিদা মহাক্কী তরুকশুবা হাফ সেঞ্চুরি লৌখি।

অঙনবদা মহাক্কী অহানবা ওইনা টেষ্ট অসিদা শরুক য়াখিবা কুলদীপ যাদভনা ৱিকেট মরি লৌখি অদুগা য়ুম্নুনা ভিজিটরবু অহানবা ইন্নিংসতা রন ৩০০ খক লৌহনখিবদা মতেং পাঙখি। মদুদা ষ্টেভন স্মিথনা রন ১১১ লৌদুনা মহাক্কী ২০শুবা টেষ্ট সেঞ্চুরি ওইখি অমদি সেরিজ অসিদা মহাক্কী অহুমশুবা সেঞ্চুরিসু ওইখি।

য়ুম্নুগী অয়াম্বা টোপ ওর্দর বেটসমেনশিংনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা য়াম্লবা রনশিং লৌখ্রবসু নাথন লয়োননা মরু ওইরবা ৱিকেট মঙা লৌখিবদগী ইন্দিয়াবু রন ৩৩২ খক্তমক লৌহনখি। অদুবু ইন্দিয়ানা রন ৩২ দা মাঙজিল থানা চৎখি। মদুদা রভিন্দ্রা জাদেজানা মহাক্কী তৌবা ঙম্বদু উথোক্তুনা বোল ৯৫ দা রন ৬৩ লৌখিবা অদুনা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থাবা ঙমখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা অনীশুবা ইন্নিংসতা ইন্দিয়াগী বেটসমেন উমেশ যাদভ অমদি ভুবনেশ্বর কুমারগী ফজরবা পার্ফোমেন্সতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মরু ওইবা টোপ ওর্দর ৱিকেটশিং লৌখিদুনা লৈখা তাহনখি। স্পিন দো রভিচন্দ্রন অশ্বিন অমদি রভিন্দ্রা জাদেজানা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেনশিংবু লাকথুখিদুনা রন ১৩৭ খক্তমক লৌহনখি।

মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা ফোর্মেট খুদিংমক্তা ভিরাট কোহলিগী থংন-থংনবা সেরিজদা মাপল্লক মায় পাকপা ওইখি। এম এস ধোনিনা থংন-থংনবা সেরিজদা তরেৎলক মায় পাকখিবগী রেকোর্দ থমখিবা অদু কোহলিনা লাম্থোক্তুনা চৎখিবনি।

# টামিম ইকবালনা ও দি আইদা রন ১০,০০০ লৌবা ঙম্বা বাংলাদেশকী বেটসমেন ওইখ্রে



কলম্বো, মার্চ ২৮ : বংলাদেশকী ওপনর টামিম ইকবালনা শ্রী লঙ্কাগী মায়োক্তা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা দাম্বুলাদা শান্নখিবা অহানবা ৱান দে ইন্টরনেসনলদা রন ১০,০০০ লৌবা ঙম্বা লৈবাক অসিগী অহানবা বেটসমেন ওইদুনা পুৱারী শেমখি।

দম্বুলাদা চথুখিবা অহানবা ও দি আই মেচ অদুগী মমাঙ ফাওবদা মহাক্কী মায় পাকপগী রন মশিং য়ৌনবগীদমক অমখক ৱাৎখিবা টামিমনা শ্রী লঙ্কাগী বোলর সুরঙ্গা লক্মালগী বোলদা রন অনী লৌদুনা ইন্টরনেসনল ক্রিকেটতা রন ১০,০০০ য়ৌবা ঙম্বা বেটসমেন ওইখি। টামিমনা মশান্না অসিগী ফোর্মেট অহুম্মক্তা বাংলাদেশকী টোপ স্কোরর ওইদুনা ৱান দে ইন্টরনেসনলদা রন ৫২৪৭, টেষ্টতা রন ৩৬৭৭ অমদি টি-২০ ইন্টরনেসনলদা রন ১২০২ লৌখি। আই সি সি টেষ্ট রেঙ্কিংদা মালেমগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈরিবা ওল রাউন্দর শাকিব অল হাসননা রন ৯৩৬০ লৌদুনা ইন্টরনেসনল ক্রিকেটতা রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা বাংলাদেশকী অনীশুবা বেটসমেন ওইরিবনি।

শ্রী লঙ্কাগী মায়োক্তা দম্বুলাদা শান্নখিবা অহানবা মেচ অদুদা টামিমনা মতিং থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা সেঞ্চুরি লৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী টিমবু ওভর ৫০ দা ৱিকেট মঙা তুরগা রন ৩২৪ লৌহনখিবদা চাউনা মতেং পাংখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা শ্রী লঙ্কানা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইরগা রন ২৩৪ খক্তমক লৌখিদুনা বাংলাদেশকী মখুৎতা মায়থীহৌখি। অদুগা বাংলাদেশনা শ্রী লঙ্কাদা অনীরকশুবা ওইনা ও দি আই মেচ মায় পাকপসু ওইখি।

মেচ অদুদা টামিমনা বোল ১৪২ মায়োক্লখিবদা বাউন্দরি ১৫ য়াওনা রন ১২৭ লৌখি। ওপনর বেটসমেন অসিনা অনীশুবা ৱিকেটতা সবির রহমনগা লোয়ননা রন ৯০ গী পার্টনরশিপ শেম্লমখি। বাংলাদেশনা মখোয়গী অহানবা ৱিকেটতা রন ২৯ লৌবা মতমদা আউট ওইখ্রবসু সবির হরমনগা বোল ৫৬ তা রন ৫৪ লৌরমখি। মুশফিকর রহিমসু লেফট হেন্দেদ স্পিন্নর লক্সন সন্দকানগী বোলদা আউট ওইখিদুনা বাংলাদেশনা রন ১২০ দা মখোয়গী অহুমশুবা ৱিকেট ওইখিবনি।

টামিম অমদি শাকিবনা ইন্নিংস অদুদা মশক থোকপা পার্টনরশিপ শেমখিদুনা মরিশুবা ৱিকেটতা রন ১৪৪ লৌখি। শাকিবনা ইন্নিংস অদুদা বোল ৭১ মায়োক্লখিবদা বাউন্দরি মরি অমদি সিক্স অমা য়াওনা পুন্না রন ৭২ লৌখিবনি।

বাংলাদেশকী মোসাদেক হোসেনসু বোল ৯ দা রন ২৪ লৌদুনা ইন্নিংস লোইদ্রি ফাওবা ক্রিজদা লৈখি অদুগা মাহদুল্লাহ রিয়াদনা বোল ৭ তা রন ১৩ লৌদুনা অরোইবা ওভরদা বাংলাদেশকী মথৌ তাবা রন অদু লৌখি। শ্রী লঙ্কানা মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইরবা বোলরশিংগী শক্তি উৎনবা হোৎনখ্রবসু খুদোংচাদবা মায়োক্লখিবনা কান্নখিদে। বাংলাদেশনা অরোইবা ওভর মঙাদা রন ৬৮ লৌখি। শ্রী লঙ্কাগী ওইনা ফাষ্ট বোলর সুরঙ্গালক্মালনা ওভর নিপানদা রন ৪৫ পীরগা ৱিকেট অনী লৌখিবনি।

# মিয়ামি ওপন : ফেদরর, জেভেরেভ, বার্দিচ, ক্রিগিওসনা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

মিয়ামি, মার্চ ২৮ : ফীভম ফনা লৈরিবা রোজর ফেররনা মফম অসিদা চথুরিবা মিয়ামি ওপনগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা অর্জেন্টিনাগী জুআন মার্টিন দেল পোট্রোবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

মিয়ামিদা য়াম্লবা অর্জেন্টিনাগী কম্যুনিটিশিং লৈবনা দেল পোট্রোবু অয়েংবা মীয়াম্না শৌগৎখি। ক্রান্দোন পার্ক সেন্টর কোর্টতা চথুখিবা মেচ অদুদা মশাগী চহী ২৮ শুরবা অসিবু ফুটবোলগী ষ্টাইলদা মখুৎ থাঙ্গৎলগা ৱেভ নাইনা সপোর্ট তৌবগুম তৌখি।

জুরা অসিনা কুমজা ২০১৩ গী মতুংদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী মেচ অসিদা অহানবা ওইনা উনখি অমদি মেচ ২১ শান্নখিবদা ১৫ মায় পাকখি। ফেদররনা মেচ অদুগী ফেভোরাইট ওইখি অদুবু মেচ য়েংখিবা মীয়াম্না পোট্রোবু শৌগৎখিদুনা অহুমশুবা রাউন্দ শান্ননবা হোৎনখি।

ফেদররনা হায়খি, ঐনা কোর্টতগী থোক্কদবা কুইরক্ত্রবা মতমদা লৈখিবা ফীভম অদু ময়ামগা পুমতোন তোঙানখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ফেদররনা মথংগী রাউন্দ মেচতা ১৪শুবা সীদেদ স্পানিয়ার্দ রোবার্টো বৌটিষ্টা ওগটকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। ফেদররগী কম্পেট্রিওট অমদি টোপ সীদ ষ্টান ৱারিঙ্কানা টুনিসিয়ন মালেক জাজিরিবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। ৱারিঙ্কানা মথংগী মেচতা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জভেরেভকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

জেভেরেভনা অমেরিকান জোন ইস্নরবু ৬-৭ (৫/৭), ৭-৬ (৯/৭), ৭-৬ (৭/৫) দা মায়থীবা পীদুনা মরিশুবা রাউন্দ চঙখিবনি।

কুমজা ২০১০ গী মিয়ামিগী ফাইনেলিষ্ট চেক্কী টোমাস বার্দির্চনা গিল্লেস মুল্লরবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রিগিওসনা ক্রোটকী ইভো কার্লোভিকপু ৬-৪, ৬-৭ (৪/৭), ৭-৬৬ (৭/২) দা মায়থীবা পীখি।

ক্রিগিওসনা মথংগী মেচতা বেলজিয়ন দেভিদ গোলফিনগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। দেভিদ গোফিননা অর্জেন্টিনাগী দিগো স্কারার্টজমনবু সেট অহুমদা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

পনবা য়াই, রফেল নদালনা মহাক্কী ১০০০ শুবা টুর লেভেল মেচকীদমক হরাউ তরাম্বগী থৌরম পাঙথোক্তুনা টুর্ণামেন্ট অসিগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দ মেচতা জর্মনিগী কোলসক্রেবরবু মায়থীবা পীদুনা মরিশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৩১ শুবদা লৈরিবা কোলসক্রেবরনা মেচকী অঙনবা মতমদা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখ্রবসু মঙাশুবা সীদতা লৈরিবা নদালনা নমহৎখিদুনা ৬-০, ২-৬, ৩-৬ তা মায়থীবা পীখি।

মেচ অসিদা রফেল নদালনা অহানবা সেট মায়থীখিবা অসি মহাক্কী ওইনা অহানবসু ওইখি। কুমজা ২০০৮ দগী এ টি পি টুরগী মেচ অমত্তদা মহাক্না অহানবা সেটতা মায়থীদনা লাকখিবনি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা স্পানিয়র্দ অসিনা মীনা চোন্না য়েংখিবা ষ্টেদিয়ম অদুদা মতিং থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা ৮২২ শুবা মেচ মায় পাকপা ঙমখি। মহাক্না জিমি কোর্নরনা লুচিংবা মেচ ১০০০ শান্নখ্রবা প্লেয়র ১১ গী মনুং চনবসু ঙমখি।

অমরোমদা, টুর্ণামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচতা জপানগী কৈ নিশিকোরিনা স্পেনগী ফর্ণান্দো বর্দাস্কোবু পুং ৩ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৭-৬ (২), ৬-৭ (৫), ৬-১ দা মায়থীবা পীখি।

মমাঙ চহীগী ফাইনেলদা নোভাক জোকোভিচকী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা রন্নর্স-অপ তাহৌখিবা নিশিকোরিনা মেচ অদুদা ৱিন্নর ৩৭ কনখি।

# নেসনল হোকি চেম্পিয়নশিপ জুন ৫ দগী পাঙথোক্লগনি

লক্ষনৌ, মার্চ ২৮ : লক্ষনৌনা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোক্লবা তৌরম্বা তরেৎশুবা সিনিয়র নেসনল মেন'স হোকি চেম্পিয়নশিপকী মফম হোংদোক্লবা থৌরাং তৌখিবদগী চমম্ননা লৈরম্বা অদু হোকি ইন্দিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিৎতা নৌনা মতম লেপ্তুনা জুন ৫ দগী পাঙথোক্লবা লেপখিবদগী লোইশিনখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসি এপ্রিল ১৭ তা পাঙথোক্লবা অনৌবা মফম থিবদা লৈতাদনা লৈরকখিবনি। হোকি ইন্দিয়ানা চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক উত্তর প্রদেশকী অতোপ্পা মফম অমদা পাঙথোক্লনবা ভেন্যু অমা থিবদা মতিক চাবা ফেসিলিটিশিং লৈতবদগী লক্ষনৌদা ওইনা লেপ্পলকখিবনি।

টুর্ণামেন্ট অসিদা এ দিভিজন্দগী টিম ২০ য়াওনা অপুনবা টিম ৫৬ না শরুক য়াগদবনি। উত্তর প্রদেশ হোকিনা লক্ষনৌগী মহুত্তা অতোপ্পা মফম অমদা পাঙথোকপদা পামদবদগী হোকি ইন্দিয়ানসু ষ্টেটকী অপাম্বা য়েংলগা লক্ষনৌদা পাঙথোক্লবা হোকি ইন্দিয়ানা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা অনৌবা সেদ্যুল শেম্বদসু য়াখি। চেম্পিয়নশিপ অসি মহৌশানা এপ্রিল ১৭ তগী মে ১৭ ফাওবা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বনি। মসিগী মনুংদা এপ্রিল ১৭ তগী ২৯ ফাওবনা বি দিভিজনগী অমদি এপ্রিল ২৭ তগীনা মেচ ৭ ফাওবনা এ দিভিজনগী টিমশিংনা শান্ননবা থৌরাং তৌরম্বনি।

টুর্ণামেন্ট অসিদা মেচ ১২০ শান্নদুনা পুৱারী শেম্ননবা থৌরাংসু তৌরি। মমাঙগী এদিসনদা অপুনবা মেচ ১০০ পাঙথোকখি।

বি দিভিজনগী মেচশিংদা টিম ৩৬ না শরুক য়াদুনা জুন ৫ দগী ১৭ ফাওবা চথুগনি। অদুগা এ দিভিজনদা টিম ২০ না শরুক য়াদুনা জুন ১৫ দগী ২৭ ফাওবা চথুগনি। অয়াম্বা মেচশিং মেজর ধ্যানচান্দ ষ্টেদিয়ম অমসুং পদ্মশ্রী মোহম্মদ সহীদ ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্ণামেন্ট অসি উত্তর প্রদেশ হোকিনা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা তরুকশুবা নেসনল চেম্পিয়নশিপসু ওইরি। মসিগী মমাঙদা উত্তর প্রদেশ হোকিনা সিনিয়র মেন'স নেসনল অনীরক, সিনিয়র ৱিমেন'স নেসনল অনীরক অমসুং জুনিয়র নেসনল অমুরক পাঙথোকখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর থাদা ষ্টেট অসিদা জুনিয়র মেন'স হোকি ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্কনি। হায়রিবা টুর্ণামেন্টশিং অসিগীদমক ষ্টেদিয়মশিং শেম শাবগী থবক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অকনবা মওংদা চঙশিল্লি। মরু ওইনা দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্কদবা জুনিয়র মেন'স হোকি ৱর্ল্ড কপকীদমক লুম্না লৌদুনা ষ্টেদিয়ম শেমজিনবগী থবক পায়খৎপনি হায়না উত্তর প্রদেশ হোকিগী ওফিসলশিংনা মেদিয়াদা ফোঙদোকখি।

# সাটৱিক-চিরাগকী জুরানা ভিয়েটনাম চেল্লেঞ্জরগী টাইটল লৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৮ : প্রোমিজিং ইন্দিয়ন মেন'স দবলস প্যার সাটৱিকসাইরাজ রাঙ্কিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেটিনা ভিয়েটনামদা চথুরিবা দোল্লর ২০,০০০ ভিয়েটনাম ওপন ইন্টরনেসনল চেল্লেঞ্জরসকী ফাইনেলদা থাইলেন্দগী জুরা ট্রারুট পোটিং অমদি নান্থাকাম য়োর্দফাইসোংবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

ইন্দিয়াগী তরুকশুবা সীদতা লৈরিবা জুরা সাটৱিক অমদি চিরাগনা মঙাশুবা সীদ পোটিং অমদি য়োর্দফাইসোংবু মিনিট ৫০ চঙনা হোনোইদা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা সম্মিট ক্লাশ অদুদা ১৭-২১, ২১-৯, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীখি।

গোপীচান্দনা হায়খি, মসি সাটৱিক অমদি চিরাগকী খ্বাইদগী চাউবা মায় পাকপনি। মখোয় অনীবু ঐখোয়না জুরা ওইনা শান্ননবা শেমখিবদগী মখোয়না নিংথিনা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখি। মখোয়না পি বি এল অমসুং লক্ষনৌদা পাঙথোকখিবা সয়ীদ মোদি টুর্ণামেন্টতা নিংথিনা শান্নখি।

মখোয় অনীমক নহা ওইরিবা অমদি আশা চাউনা লৈরিবা ঙাক্তনি। মখোয়না চহী খরা অসিদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা জুরা ওইরক্কনি।

সাটৱিকনা সট্টলবু খোঙজেল য়াঙনা শান্নবা ঙমই। মহাক্কী ৱাং চাউবা অমদি মহাক্না য়ৈরিবা এঙ্গলশিংনা মহাক্কী প্লেদা চাউনা মতেং পাঙলি। মখোয় অনীনা জুরা শেম্বদা য়াম্না চান্নরে হায়না গোপীচান্দনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেলদা দো অসিনা হেন্দ্রা অপ্রিদা গুনাৱান অমদি মার্কিস কিদোবু ১৬-২১, ২১-১১, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

মায় পাকখিবা অসিনা নহা ওইরিবা ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা সিজন অসিগী অহানবা টাইটল লৌবসু ওইখি। অদুগা অপুনবদা মঙাশুবসু ওইখি।

# মণিপুরগী হেনবা, নোংদম্বা, জেক্সন য়াওবা মিনরভাগী প্লেয়র ৬ ইন্দিয়া য়ু-১৭ সাইদতা কৌখৎখ্রে

চেন্নাই, মার্চ ২৮ :
ইন্দিয়া অন্দর-১৭ টিমবু পূক্নিং চিংশিন্নিঙাই ওইনা মায়থীবা পীখিবা মিনরভা পঞ্জাব এফ সি একাদেমীগী প্লেয়র তরুক অন্দর-১৭ নেসনল সাইদতা কৌখৎখ্রে।

হন্দক্তা ইন্দিয়া অন্দর-১৭ টিমগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা মেচতা মিনরভা পঞ্জাব এফ সি একাদেমীনা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুদা নৌনা কোচ ওইনা হাপখ্রবা লুইস নোর্টোন দি মার্টোসিনা পূক্নিং চিংশিনখি। ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসি চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর ৬ তগী ২৮ ফাওবা ইন্দিয়ানা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোক্কনি।

এ আই এফ এফ অন্দর-১৬ য়ুঠ লীগ চেম্পিয়ন মিনরভানা নেসনল অন্দর-১৭ অমদি অন্দর-১৫ সাইদকা গোৱাদা মেচ অনী শান্নখি। মদুদা মিনরভানা নেসনল অন্দর-১৭ পু ১-০ অমদি অন্দর-১৫ সাইদপু ২-০ দা মায়থীবা পীখি।

নিকোলাই অদামদগী কোচিংগী দ্যুটি লৌখিবা কোচ নোর্টোননা মিনরভা টিমগী পার্ফোমেন্স অদুদা অপেনবা পোকখি অমদি মেনেজমেন্টনা মিনরভাগী প্লেয়র তরুক দিফেন্দর অনৱার অলি, ৱিঙ্গর অমর্জিৎ মিশ্রা, মিদফিল্ডর মোহম্মেদ শাহজাহান, মিদফিল্ডর অসেম হেনবা, ৱিঙ্গর নোংদম্বা নাওরেম অমদি মিদফিল্ডর জেক্সন সিংহবু অন্দর-১৭ টিমগা ট্রেন তৌমিন্ননবা কৌখৎখি।



মিনরভা পঞ্জাব এফ সিগী ওনর রঞ্জিৎ বজাজনা হায়খি, ঐখোয়না অন্দর-১৫ লীগকী টাইটল লৌখ্রবা মতুং মিনরভাদগী ঐখোয়গী প্লেয়র মরি খনগৎখি। অন্দর-১৫ টিমগী শান্নরিবা প্লেয়র তরুক য়াওনা অন্দর-১৭ টিমদা প্লেয়র ১০ য়াওহনবা ঙম্বদা ঐখোয় চাউথোকচৈ। ফুটবোল ক্লব অমগী লিগেসি অসি মসিনা টাইটল য়াম্না লৌবগী মখা পোন্দে। নেসনল টিমদা য়াওবা ফংবা অসিনা লোইনাইদ্রবা পান্দমনি হায়বসিদা ঐনা মতম পুম্নমক্তা ঙাক্তুনা চৎলি। নোংমদি ঐনা চাউথোকচনা হায়বা পাম্মী মদুদি ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফাই ওইবা ইন্দিয়ন সাইদতা ঐগী টিমদগী প্লেয়র ১০ য়াওখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

এ এফ সি অন্দর-১৬ চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা অশোনবা পার্ফোমেন্স উৎখ্রবা মতুং ইন্দিয়ন প্লেয়রশিংনা মসিগী মোমেন্টম মাঙখি অমদি ২০১৬ অন্দর-১৭ ব্রিক্স ফুটবোল কপ অমদি গ্রানাটকিন কপ্তা হন্থবা পার্ফোমেন্স পীখি।

অন্দর-১৭ প্লেয়রশিং মশক খঙদোক্লবগীদমক পাঙথোকখিবা মায় পাক্লবা নেসন ৱাইদ স্কাউটিং প্রোগ্রামদা ইন্দিয়ন টিমনা মিনরভাগী মায়োক্তা মায়থীখ্রবা মতুংদা ৱাহং কয়া লাকখি।

চীফ স্কাউটকী মনুংদা অমা ওইরিবা হান্নগী ইন্দিয়ন কেপ্টেন বাইচুং ভুটিয়াবু প্লেয়রশিং খনগৎপা মতমদা ফেভোরিটিজম উৎখি হায়না তোকঙা শন্দোরকপদগী হন্দক্তা এ আই এফ এফ টেক্নিকেল কম্মিটিদগী লৌথোকখি। ভুটিয়ানা স্কাউটিং প্রোগ্রামদা হান্নগী প্লেয়র অভিশেক যাদভ অমদি মফম লৌথোকখ্রবা কোচ নিকোলাই অদামগা পুনমিন্নখিবনি।

# এঞ্জেলিগ কার্বর, ভেনস ৱিল্লিয়মস, সাফারোভানা মিয়ামি ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

মিয়ামি, মার্চ ২৮ : টোপ সীদ এঞ্জেলিগ কার্বরনা মফম অসিদা চথুরিবা মিয়ামি ওপনদা জপানিজ ক্বালিফাইয়র রিসা ওজাকিবু ৬-২, ৬-২ দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।





অদুবু মঙাশুবা সীদ স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা সিবুলকোভানা চেক রিপব্লিক্কী লুসি সাফারোভাগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখি অমদি ফ্রেঞ্চ ওপনগী চেম্পিয়ন গার্বিন মুগুরুজাসু মরিশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি।

কার্বরনা মেচকী অঙনবা শরুক্তা অনীরক ব্রিক তৌখিদুনা ৪-১ দা মাঙজিল থাখি অমদি মহাক্না মেচ অদু নিংথিনা কন্ট্রোল তৌদুনা পুখি।

জর্মন অসিনা হায়খি, ঐহাক্কী ওপোনেন্ট রেঙ্ক ৮৭শুবদা লৈরিবা অসিবু মায়োক্লদুনা শান্নদ্রিঙৈদা মহাক্কী মরমদা কূপ্না য়েংশিন্দুনা নৈনখি। মহাক্কী তৌবা ঙম্বা অমদি অফবা প্লেয়র অমা ওইরম্বদগী ঐনা মহাক্না লম্বাননবগীদমবক শেম শাখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

কার্বরনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ভেনস ৱিল্লিয়মসকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

তরেৎলক গ্রান্দ স্লামগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ভেনস ৱিল্লিয়মসনা রসিয়াগী তরেৎশুবা সীদ সভেটলানা কুজনেটসোভাবু ৬-৩, ৭-৬ (৭/৪) তা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখি।

ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ৩৬শুবদা লৈরিবা স্লোভাকিয়াগী সাফারোভানা ফ্রেঞ্চ ওপনগী চেম্পিয়ন গার্বিন মুগুরুজাবু ৭-৬ (৭/৫), ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। সাফারোভানা মায় পাকখিবা অসিনা কুমজা ২০১৫ গী মতুংদা টোপ টেনগী ওপোনেন্টকী মায়োক্তা মায় পাকখিবা অহানবসু ওইখি।

মশাগী অনাবদগী হৌখিবা চহী অনীরোম শান্নদনা লাকখিবা দব্লিয়ু টি এগী টাইটল তরেৎলক লৌখ্রবা সাফারোভানা হৌজিক্তি টেনিসকী কোর্টতা হল্লক্তুনা শরুক য়াররি।

সাফারোভানা হায়, ঐ হৌজিক হকচাং ফরে। ঈশ্বরবু থাগৎলি অমদি ঐগী লৈজবা থৌনাশিং পুথোক্তুনা শান্ননবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। মশাগী চহী ৩০ শুরবী চেক অসিনা দেনগী কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

কারোলিনা প্লিস্কোভানা বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। প্লিস্কোভানা মথংগী মেচতা ক্রোসিয়ন মিরজানা লুসিক-বারোলিনাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

নিংশিংবা য়াই, ওপন অসিগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী মেচতা টোপ সীদ জর্মনগী এঞ্জেলিগ কার্বরনা মরিশুবা রাউন্দদা চঙখিবগা লোয়ননা নিপানশুবা সীদ মেদন কিজনা মায়থীহৌখি। অমরোমদা সভেটলানা কুজনেটসোবা অমসুং ভেনস ৱিল্লিয়মসনা মখোয় মখোয়গী অহুমশুবা রাউন্দশিং মায় পাক্তুনা মথংগী রাউন্দগীদমক চঙশিন্নখিবনি।

কার্বরনা অমেরিকাগী ৬১ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা সেলবি রোজরবু ৬-৪, ৭-৫ দা ক্রান্দন পার্কতা লৈবা মেইন ষ্টেদিয়ম হার্দ কোর্টতা শান্নখিবা অদুদা মায়থীবা পীখি। অমেরিকাগী মেদিসন কিজনা স্পানিয়ার্দকী রেঙ্ক ৭২ শুবদা লৈরিবী লারা অরুৱাবারেনাগী মখুৎতা ৭-৫, ৭-৫ দা মায়থীহৌখি।

রসিয়াগী তরেৎশুবা সীদ অমদি মমাঙ চহীগী রন্নর্স-অপ কুজনেটসোবানা অমেরিকান ক্বালিফাইয়র টেলর টাউনসেন্দবু ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।